# সি সি মীট–নাওচাগী অথেংবা গোলনা ট্রাউ সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখ্রে



ইম্ফাল,মার্চ ৩১ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল তর্ফতা টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা চথরকলিবা ৬১শুবা সার চুরচান্দ সিংহ, কেসিএসআই, সিভিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ট্রাউ এফ সি ক্বাকৈথেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা লবান এফ সি শিল্লোংবু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

২৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা ট্রাউ এফ সিনা অহানবা হাল্ফতা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু লবান এফ সিনা অনীশুবা হাল্ফতা গোল অহুম হন্দাক্কুনা ২–৩ দা অমুক মাঙজিল থাখ্রবসু ট্রাউ এফ সিগী জোসেপ অমদি নাওচনা গোল অনী মখা তনা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ৪–৩ দা মায় পাকপা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ৫ চৎপদা লবান এফ সিগী বেষ্টখেমনা বেক্স মনুংদা তৌখিবা গোল এটেম অদু ট্রাউগী দিফেন্দর সহাবাস খাননা ব্লোক তৌনবা হোৎনবদা হেন্দ বোল তাবদগী লবাননা গোল মাঙজিল থাবা য়াবা পেনালটি অমা ফংখি।

পেনালটি অদু বেষ্টখেম মশামক্কা কাওবদা পোষ্টদা পান্দুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

ট্রাউনা লবান এফ সিগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবগী তঞ্জা লৌরদুনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নরক্কুনা লবানগী মায়কৈদা এটেক হেঞ্জিলকখি।

মেটচকী মিনট ২৫ চৎপদা ট্রাউগী কেপ্টেন প্রিন্সৱিল ইমেকাগী গোল এটেমদা লবানগী শান্নরোই ইজিংমুটকী মখুৎতা পান্দুনা মেটচ অসিগী অনীশুবা পেনালটি ট্রাউগী মায়কৈদা ফংখি।

পেনালটি অদু ট্রাউগী কেপ্টেন প্রিন্স ৱিল মাশমক্কা গোলদা ওন্থোক্কুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই মিনট ৩৭ দা ট্রাউনা চথরকপা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মায়োসিংহনা ওইথংবা ৱিংদগী খাইরকপা গোল অদু প্রিন্সৱিলনা শমজিনলাগা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা লবান এফ সিনা ট্রাউবু লাকশিন্না শান্দুনা দিফেন্সতা খক মথৌ তৌহন্দুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরকখি।

মদদুগগী মহৈ ফংদুনা মিনট ৫১ চৎপদা লবানগী জয়মরোংনা খায়রকপা বোলদা ভিক্টর সদাপনা গোলদা ওন্থোক্কুনা ২–১ দা লৈখি।

গোল হন্দেক্লবা মতুং মিনট ৬ কান্নরগা মিনট ৫৭ দা লবানগী ষ্টেফেসন পেলেনা অনীশুবা গোল হন্দোক্লগা ২–২ দা লৈদুনা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাকপদুনা মেটচ অসিগী লমজেনদা অমুক লাক্লবা হোৎন্নরকখি।

অনীশুবা গোল হন্দোকখ্রবা মতুংগী মিনট অনী কান্নরগা মিনট ৫৯ দা লবানগী ইজিংমুটনা খাইরকপা অশাংবা বোল অদু ভিক্টর সাদবনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা ট্রাউগী গোল কিপ্পর এল প্রেমকুমারবু মায়থিবা পীরগা গোলদা ওন্থোক্কুনা ২–৩দা মাঙজিল থাখি।

ট্রাউনা মাঙজিল থারমবদগী গোল শোখ্রকপদা ট্রাউগী ওফেন্সিপ শান্নরোই নাওচা,জোসেপ অমদি প্রিন্সৱিলনা গোলশিং অদু অমুক হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্কুনা লেপা লৈত্তনা লবান এফ সিগী গোল কিপ্পরবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখি।

ট্রাউগী হোৎনবা লেপ্তনা শান্নবগী মহৈ ফংদুনা মিনট ৬৫ চৎপদা প্রিন্সৱিলনা য়েৎ থংবা ৱিংদগী খাইরকপা অনেস্বা ক্রোশিং অদু জোসেপনা থেংখ্রবা তৌদনা গোলদা ওন্থোক্কুনা গোল ৩–৩ মন্না লৈখি।

ট্রাউনা লেমহৌরিবা মিনটশিং দসু বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎনবা লেপ্তনা শান্দুনা লবানগী দিফেন্দরশিংবু মথৌ চিলহনখি।

মেটচকী লোয়গদবা মিনট ৮৫ চৎপদা ট্রাউগী জোসেপনা কাওশিনখিবা বোল অদু লবানগী গোল কিপ্পরনা ঙাকথোক্কুনা ট্রাউগী নাওচাদা অমুক তাদুনা বোল অদু নাওচনা থেংখ্রবা তৌদনা অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চনলগা ৪–৩ দা মাঙজিল থাদুনা ট্রাউবু চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসিদা লবানগী ষ্টেফেসন,জয়মরোং,সদাপ অমদি ট্রাউগী ঙারাইপাম অমসুং কে ঐচ কৃষ্ণন্দা রেফ্রিনা য়েল্লো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি আই রাবি,আর কে রঞ্জন,ৱাই হেমন্তা অমদি টি প্রেমজিটনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টিদিয়মদা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি এ আই এম খাবম ইম্ফাল ইষ্টকা শান্নগনি।

# তরুকশুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এম ৱাই সি অমদি লম্লাই এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ

ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক কাকচিংনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্কুনা চথরকপা ৬শুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ভিলেজ ৱাইস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদ এম ৱাই সি মোরাং পুরেল অমদি লম্লাই এফ সি মায় পাকখ্রে

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এম ৱাই সি মোইরাং পুরেলনা সেক্তা (বি)বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এম ৱাই সি মোইরাং পুরেলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ তোম্বনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৭ দা চনখি।

মেটচ অসিদা এম ৱাই সিগী পোরৈতোন,সোমোরজিৎ,তোম্বা অমদি সেক্তা(বি)গী হেন্নরিদা রেফ্রিনা য়েল্লো কাদ বুক তৌখি।

১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা লম্লাই এফ সিনা এন ৱাই সি (এ)বু য়াম লাকচন্না গোল ১১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লম্লাই এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৭ চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ অনোসনা মিনট ৫,১২ দা গোল অনী,জর্সি নম্বর ১৪ সনাথোইনা মিনট ১৪ দা গোল অমা,জর্সি নম্বর ৭৭ কে ঐচ অর্মজিৎনা মিনট ১৬,১৮ দা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ৬ এম কবিরাজনা ২০ অমদি ২৩ দা গোল অনী চন্দুনা অহানবা হাল্ফকী গোলশিং অদু চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ৪ অদুনা জর্সি নম্বর ৭ কে এচ অনোসনা মিনট ২৬,জর্সি নম্বর ১৪ সনাথোইনা মিনট ৩২, জর্সি নম্বর ৭৭ কে ঐচ অর্মজিৎনা মিনট ৩৫ অমদি জর্সি নম্বর ৬ এম কবিরাজনা মিনট ৩৬ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অয়ুক্তা পুং ৭.৩০ তবদা অরোইবা লীর্গ মেটচ ওইনা এ এস এস এ অমদি এম ৱাই সিগা শান্নগনি।

অদুগা নুংথিল পুং ১.৫০ দা অহানবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এন ৱাই সি (বি) অমদি সেক্তা (বি)গা শান্নগনি। অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা নুংথিল পুং ৩.২০ দা বি এস য়ু(এ) অমদি সোপলেং এফ সিগা শান্নগনি।

# এস ৱাই সি সতুদাই খৌপুমনা জুনিয়ার ভোল্লিবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা মীৎয়েং মখাদা কামিখ্যিয়া য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৬ দগী কে এস ৱাই সি গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিয়েল জুনিয়ার ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর এস ৱাই সি সতুদাই খৌপুমনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই সি সতুদাই খৌপুমনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এস ৱাই সিনা পোইন্ট ২১–২৫,২৫–২৩,২৫–২২,২৫–১৮ স্কোর তৌখি।

ৱিন্নরগী টিমদা লুপা লিশিং ৩০গা লোয়ননা ট্রোফি,রন্নস অর্পতা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা ট্রোফি,থার্দ প্লেসকী টিম আই জি ও ওইনামদা লুপা লিশিং ৮ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি ফোর্দ প্লেসকী টিম এল সি এল লৈফ্রাকপমদা লুপা লিশিং ৫গা লোয়ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্টস্পাইকর,বেষ্ট স্লেটর অমদি বেষ্ট প্লেয়রদা এস ৱাই সিগী রোবিসন গাংমৈ,সি ঐচ রোমিও অমদি থাংমৈসো লুংহাননা তাখি।

বেষ্ট ব্রোক্রর অমদি বেষ্ট কোচনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমগী এস সান্তিকুমার অমদি এন রনবিরনা তাখি।






# অহুমশুবা সঙাই ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯

## এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক মায় পাকখ্রে



থৌবাল,মার্চ ৩১ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা ঙসিদগী ৩ শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটারন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী ভের্টনারি এন্দ এনিমেল হর্সভেন্দরিগী ডাইরেক্টর ডাঃ ঐচ চাউবা সিংহ, য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন জি ব্রাজকুমার সিংহ অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট,প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী মেটচতা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক্লা জে এফ এম পার্টসোইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এ ৱাই ভি এফ এনা লাকশিন্না শান্দুনা জে এফ এম পার্থসোইবু লেপ্পা লৈত্তনা প্রেসর পিশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা শান্নখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচগী মিনট ৭ চৎপদা এ ৱাই ভি এফ এগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৭ এম দি অব্দুল হাকিমনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোখ্রিবা জে এফ এম পার্টসোইনা হাল্ফ মমাঙদা গোল হন্দাকপা য়াবা তঞ্জাশিং ফংলবসু এ ৱাই ভি এফ এগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা শান্দুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

অহানবা হাল্ফ লোয়রা ফাওবদা অব্দুল হাকিমগী গোল অদুনা এ ৱাই ভি এফ এনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল মাঙজিল থারিবা এ ৱাই ভি এফ.এনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা জে এফ এম পার্টসোইগী মায়কৈদা এটেক হেঞ্জিলক্কুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচকী মিনট ৪৬ চৎপদা য়াইরিপোক্লা ফংখিবা ফিঅকিকতা জে এফ এম গী গোল কিপ্পরনা নিংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী এ ৱাই ভি এফ এগী অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ ৱাই ফোলেন্দ্রোনা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল শোখ্রিবা জে এফ এম পার্টসোইনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তবদা টি আর ভি এস এ মালোম অমদি কে এম ভি এফ এ কৈরকগা শান্নগনি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৩.৩০ তবদা এস ঐচ দি ভি এফ এ সাদর্র হিলস অমদি মুসা চেকোনগা শান্নগনি।

# অনীশুবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি

## সাইক্লোন ফাইনেলগীদমক লম্বা ঙাইখ্রে



ইম্ফাল,মার্চ ৩১ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি ২০১৮গী ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ট্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা ট্রাউ ক্বাকৈথেলনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হনা পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৮৬ খক লৌখি।

মসিগী পাখুমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ৯.৫ দা ৱিকেট অমত্তা তুদনা অপীবা তার্গেট অদু লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ১০ দা মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখি।

ট্রাউ ক্বাকৈথেলগী বেট্টিংদা সুরেসনা বোল ২৩ দা রন ১৮,প্রিয়োজিটনা বোল ১৫ দা রন ১২ অমদি ইশ্বোজিটনা বোল ১৬ দা রন ১২ লৌখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোল্লিংদা হোমেন্দ্রোনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩,বিকাসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অমদি অসেকুমারসু ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোনগী বেষ্টমেন ময়াঙক রার্গবনা বোল ২৯ দা রন ৪২ অমদি নরশিংনা বোল ২৯ দা রন ৩৪ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ লৌখিবা হোমেন্দ্রোনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হায়েং গ্রাউন্দ অসিদা চেম্প খাঙেম্পালি অমদি মোদেল ক্লব চিংঙামখাগা শান্নরগনি।

# মোরে অসাম রাইফল অমদি ম্যেনমার আর্ম্মিগা ইন্দো ম্যেনমার ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ শান্নখ্রে




মোরে, মার্চ ৩১ঃ

মোরে অসাম রাইফল অমদি ম্যেনমার আর্ম্মিগা ইন্দো ম্যেনমার ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ শান্নখ্রে। মোরে অসাম রাইফলনা ম্যেনমার আর্ম্মিবু মায়থিবা পীখ্রে।

৪৩ অসাম রাইফল মোরে বাট্টালিয়না শিন্দুনা ম্যেনমার পোষ্ট লেভেল মীর্টকী মখাদা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা বাট্টালিয়ন অসিগী কে এল পি কেম্পস গ্রাউন্দা ঙসি অয়ুক শান্নখ্রে।

শন্নবা অদুদা ম্যেনমার টামুদা লৈরিবা ৫০ বাট্টালিয়ন ম্যেনমার আর্ম্মি অমদি মোরেগী ৪৩ এ আর বাট্টালিয়ন অনীনা শান্নখিবনি। ভোল্লিবোল অসিবু হৌদোক্তিঙৈ মাঙওইন্না ৫০ বাট্টালিয়ন ম্যেনমার আর্ম্মিগী কম্মানদেন্ট টিন টুন লিন অমদি ৪৩ এ আর মোরেগী কাম্মনদেন্ট সুমিট সুদনা শানবা শিংদা পুক্লিং থৌগৎলদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা অফবা মরিদা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অসিবু শান্নবাগীদমক্তা কাম্মনদেন্ট অনীনা প্লেয়রশিংবু খুৎ সোক্নদুনা গেমস অসিবু হৌদোকখি।

টুংদা গেমস অসিবু শানবা হৌদুনা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অসিদা মোরে বাট্টালিয়ন ৪৩ আসাম রাইফলনা ম্যেনমার আর্ম্মিবু মায়থিবা পীদুনা গেমস অসিগী ৱিন্নর ওইখি। তুংদা লৈবাক অনীগী শান্নরোইশিংদা ম্যেনমার আর্ম্মিগী কাম্মনদেন্ট অমদি মোরে অসাম রাইফল কাম্মানদেন্ট অনীনা খুদোল পোৎশিং পীদুনা শান্নরোইশিংবু পাক্লিং থৌগৎখি।

# কুনহুমদোইশুবা ৱিন্নর্স কপ ২০১৯

## জি এস সি চুড়চান্দপুর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৯ না নোর্ক অউট অমদি হোম এন্দ এৱে বেসিক্তা চথগদবা ২৩ শুবা থাংজম বিরচন্দ্রা মাইপাকপি মেমোরিয়েল ৱিন্নরর্স কপ ফোর মেন ২০১৯গী ঙসি এম পি টি সি গ্রাউন্দ পাংঙ্গৈদা শান্নখিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা শান্নখিবা মেটচতা য়ুম্বু মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এৱে টিম জি এস সি চুড়চান্দপুরবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রবসু এপ পি এস সি ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ কে এস ঐচ কান্তনা পেনালটিদা মিনট ১৫ দা চনখি।

মেটচ অসিদা এম পি এস সিগী কিরন,গানতে অমদি জি এস সিগী তুনলাল পাউলদা রেফ্রিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়োল্লো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এন ইবুংঙৌ,দব্লিউ ষ্টিপ্রিংসন,এম ইনাও অমদি এন অর্মজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি ।

নিংশিংবা য়াই মদুদি থা অসিগী ২৮ দা শান্নখিবা টিম অনী অসিগী অহানবা লীগকী জি এস সি গ্রাউন্দ চুড়চান্দপুরদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জি এস সিনা এম পি এস সিবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি। মরম অদুনা এম পি এস সিনা ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাক্লবসু ফাইনেল চঙবা ঙমখিদবনি।

# এ পি এম এ আর দি এসকী থাং–তা ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

থৌবাল, মার্চ ৩১ঃ

এসোসিয়েসন ফোর পাউনা মেমোরিয়েল অর্টস এন্দ রুরেল দির্ভলপমেন্ট সার্বিস (এ পি এম এ আর দি এস) ৱাংখেমনা সঙ্গিৎ নাতক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা নুমিৎ ৪০ নি চুপ্পা চথরকখিবা‘ ১০ বির্টচ ট্রেনিং কম প্রদক্সন ওফ থাং–তা’ ঙসি থৌবাল ৱাংখেমদা লৈবা এ পি এম এ আর দি এসকী ওদোটোরিয়ম হোলদা লোয়শিনখ্রে। শরুক য়াখিবা ট্রেন্নি মহৈরোই ৩৫ দা সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী এদভাইজর ডাঃ বিটা দেবী অমদি জি এন এম দি এ ইম্ফালগী রির্টিয়ার গুরু পি ধানজিটনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱারোল পীরদুনা এ এম এ আর দি এসগী সেক্রেটরি কাকচিংতাবম হেমচন্দ্রানা হায় মণিপুরদা মৈতৈ জাটিগী ইপা–ইপুশিংনা তঙাই ফাদনা হৈতবা য়াদবা মহৈ অমা ওইনা তম্নারম্বা থাং–তাগী মহৈ অসি য়োখৎপা ওইনা একেদমি অসিনা ট্রেনিং অসি লেপ্তনা পাঙথোকলক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রেনিংদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা শজেল কাঙলোন,থাং লৈতেং হায়বা,য়েৎথং ওইথং হায়বা য়ান্নবা,কাবুই খৌশাবা অমদি ষ্টিক্ত দান্স নাচিংবা মখোয়গী হৈজবা কয়াসু মীয়ামদা উৎখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com